# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Wednesday, April 28, 2021, Imphal — Page 11




এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবকী টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নবা ঙমখিবা এফ সী গোৱা মায় পাক্লমগদবা মেটচ অমা ড্রো চংখিবদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবা টিমগী কোচ ফর্নান্দো

জর্মনিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মমাঙগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটলসু লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা টিম অদুগী অনৌবা কোচ ওইবগী থৌদাং পীখ্রবা মমাঙদা আর বি লৈপজিক্কী কোচ জুলিয়ন নাগেলসমান



## ইন্দিয়াগী প্রগনন্ধ ফজবা ঙমখ্রবসু ন্যু ইন চেছ ক্লাসিক ওনলাইন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী):

মেল্টৱাটর চেম্পিয়ন্স চেছ টুরগী মনুং চনবা মঙাশুবা লেগকী ওইবা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১.৫গী শেলগী মনা লৈবা ন্যু ইন চেছ ক্লাসিক ওনলাইন নোকআউট চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় প্রগনন্ধনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা প্রিলিমিনরি লীগকী অরোইবা রাউন্দদা ফজবা ঙমখ্রবসু শান্নরোয় ১৬না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

প্রগনন্ধনা মহাক্কী অরোইবা প্রিলিমিনরি লীগ রাউন্দ অদুদা তরাশুবা পোজিসন্দা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ভিদিদ গুজরাথি অমদি নোৰ্ৱেগী অর্যান টারিগা পোইন্ট ৭ ফংমিন্নরগা লৈখিবনি। টুর্নামেন্ট অসি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় অমা ওইরিবা নোৰ্ৱেগী মেগনস কার্লসন য়াওনা মমিং লৈরবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী গ্রান্দমাষ্টরশিংনা শরুক য়ারকপনি।

ইন্দিয়াগী বিদিদ গুজরাথিসু টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদা য়াম্না ফজবা মওংদা মায়থীদনা লাকখ্রবসু লোইশিল্লকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা মুভ খরা চংখিবা মরম্না মায়থীবা মেটচ অনী য়াওখিবা মরম্না টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

মশাগী চহী ১৫দা শুরিবা প্রগনন্ধনা প্রিলিমিনরি লীগকী অরোইবা রাউন্দ অদুদা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়াগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবদগী শান্নরোয় ৮না ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদবা তাঞ্জা অদু য়ৌবা ঙমখিদবনি।

বিদিদ গুজরাথিসু অরোইবা রাউন্দদা রসিয়াগী সর্গে কর্জাকিন অমদি চাইনাগী লিএম ক্বানলিগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী খুদোংচাবা য়ৌখিদে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোৰ্ৱেগী মেগনস কার্লসন, অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ান, য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরা, অজরবাইজানগী শান্নরোয় সখ্রিয়ার মামেদিয়ারোব, লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় তৈমুর রাদজাবোব, য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৱেসলি শো, ইরানগী শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজা অমসুং চাইনাগী শান্নরোয় লিএম লি ক্বাংনি। মখোয়না থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮দা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নবা হৌগনি।

## মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা গ্রাসকোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমবলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট নুমিৎ ১৪নিদা তেনশিল্লগনি



লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী):

টেন্নিস মশান্নগী ওইনা মালেমগী ওইনা গ্রাসকোর্টকী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ৱিমবলদন গ্রান্দস্লম টেন্নিস টুর্নামেন্ট মমাঙদা শান্নরম্বা ফোর্মেটশিং অদুদগী তেনশিল্লগা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরগনি হায়না ওল ইংলেন্দ লোন টেন্নিস ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি।

মমাঙদা ৱিমবলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি অহানবা সেদ্যুল্ডগী নোংমাইজিং নুমিৎ অদু মেটচশিং শান্নদবগী কাঙলোন লৈরম্বনি। হায়রিবা অহানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী লেপ্লিবা অসি টুর্নামেন্ট অদুগী শান্নফমশিং অদুগী কোর্টশিং অদু শেমজিন শাজিনবগী মতম অমা লৌবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা মালেমগী কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলুরগা অহানবা নোংমাইজিং শান্নবা লৈতবা ওইহল্লম্বা অদু হন্দক্কী কুমজা ২০২২দগী হৌরগা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইহন্দুনা মরক্কীদা লৈবা নোংমাইজিং নুমিৎ তাবা অদুসু শান্নরগনি।

অহানবা নোংমাইজিং নুমিৎ শান্নবা তোক্লগা মরক্কী ওইবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নবগী ৱারেপ অসি ওল ইংলেন্দ লোন টেন্নিস ক্লবকী মায়কৈদগী নৌনা লেপ্লকপা ৱারেপনি হায়না চ্যেরমেন ইয়ান হেৱিটনা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক লৈরিবা ৱিমবলদনগী গ্রাসকোর্টশিং অদু মমাঙদা শেমজিন শাজিনবগী থবক থৌরমশিংদা মতম শাংনা চঙলম্লবসু অনৌবা টেক্নোলোজি লাক্কুনা হৌখিবা চহী মঙা অসিদা শেমজিন শাজিনবগী মতাংদা মতম য়াম্না লৌদবগী খুদোংচাবা অমা লাক্লি।

মরু ওইনা লন্দনগী বির্মিংঘমদা লৈবা ৱিমবলদনগী সেন্টর কোর্ট অদুদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাকখিবনি। মরমদি সেন্টর কোর্ট অসিদা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারকপা মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংনা শান্নবা মেটচশিং অদু মরু ওইনা শান্নহনবনি।

মদুদসু নত্তনা টুর্নামেন্ট অদুগী লোইশিল্লকপা ক্বার্টর ফাইনেলদগী হৌরগা ফাইনেল মেটচকী শান্নফম অদু সেন্টরকোর্ট অসিনা ওইরিবনি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ৱিমবলদন টেনিস টুর্নামেন্টতা ভাবোক কয়া মীৎয়েং তাবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অদু লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মশীং য়াম্না হন্থদুনা য়েংহনগদৌরি।

লৈঙাক্কী ওইনা অথিংবা অসি কোভিদ-১৯ শন্দোকপদা ঙাকথোক্লবগী কাঙলোন অমসু ওইরিবনি।

## ইটালিগী ফুটবোল ফেদরেসননা সেরি এদগী নাথৈরগা লৈখিবা লীগশিংদা শরুক য়াবা ক্লবশিংগী মথক্তা নৌনা অথিংবা অমা থম্লক্কদৌরি

রোম, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী):

ইটালিগী ফুটবোল ফেদরেসননা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হন্দক্তা য়ুরোপকী ওইবা অনৌবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইগদবা সুপর লীগ হায়না খঙনবা মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা শিল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা এন্টি সুপর লীগ হায়বা ক্লোজ অমা থমদুনা মদুদা শরুক য়ানবা হোৎনরম্বা অমদি হোৎনরিবা ক্লবশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্লগনি হায়রি।

অনৌবা ইটালিয়ন ফুটবোল ফেদরেসনগী ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না তুংদা ফেদরেসন অসিগী মখাদা লৈবা ক্লবশিংনা তোঙানবা লূপশিংনা শিনবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ানবা হোৎনরকপা ক্লবশিংগী মথক্তা অথিংবা থমদুনা ক্লবশিং অদুনা লৈবাক অদুগী ওইবা দোমেষ্টিক ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবসু য়াররোই হায়রি।

ৱারেপ অসিগী মতুংইন্না নৌনা শেমখিবা সুপর লীগতা শরুক য়াগনি হায়না শেম শারিবা ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ইন্টর মিলান ফুটবোল ক্লবসু ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী অথিংবা থম্লক্লি।

পনবা য়াবদি, ইটালিগী ওইনা সেরি এ হায়না খঙনরিবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অদুগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লবশিং ওইরিবা ইন্টর মিলান, য়ুবেন্টস অমদি এ সী মিলাননা য়ুরোপিয়নগী ওইবা অনৌবা সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারনবা মমিং পীখৎলুবনি। অদুবু তোঙান তোঙানবা য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংনা সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপা অমদি ক্লবশিং অদুগী লৈবাক্কী ওইবা লৈঙাক্লা অথিংবা থম্লকপদগী সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থুপচিনখ্রবনি।

তুংদা অসিগুম্বা লন্নাইগী ওইবা লূপশিংনা শেম্বা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা য়াওবা য়াদনবা ইটালিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন্না মখোয়গী কাঙলোন্দা অনৌবা ক্লোজ অমা হাপ্তুনা করিগুম্বা ক্লবশিংনা য়াওরম্লবদি অথিংবা লাক্কনি হায়খি।

## ইন্টরনেসনল হোকিগী অহানবা হোকি ফাইভ এস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াগদৌরি

লোজেন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা ঙসি ফোঙদোরকপা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না স্বিটজলেন্দগী সিটি লোজেনদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১১ অমদি ১২দা পাঙথোক্কদবা অহানবা সেনিয়র ৱর্ল্ড হোকি ফাইভ এস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াগদৌরি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক্না শরুক য়ামিন্নদুনা লৈবাক মঙানা কম্পিটিসন ইন্টরটেনমেন্ট অমদি দেমোন্সত্রেসনগী ওইবা মওংদা মশান্না অসিবু মীয়ামদা হেন্না পামহন্নবগীদমক্তা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াখক্তা নত্তনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুদি যূম্বু ওইরিবা স্বিজরলেন্দ, ইংলেন্দ, জর্মনি অমসুং মলেসিয়ানি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিং অদুদি যূম্বু স্বিটজরলেন্দ, ইংলেন্দ, জর্মনি, সাউথ অফ্রিকা অমসুং ইন্দিয়ানি।

হায়রিবা হোকি ফাইভ এস মশান্না অসি টিম অমদা শান্নরোয় ৫/৫গী ওইবা ফোর্মেটতা শান্নগদৌরিবনি।

হোকি ফাইভ এসগী ফোর্মেট অসি হৌজিক হৌজিক ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনলগী ওইবা ফিল্ডগী পাক চাউবা অদুদগী পিকথরগা শান্নগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসি ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা মালেমগী থাক্তা মশান্না অসিবু হেন্না পাম্নবা হোৎনবদা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমা ওইরি।

## কুমজা ২০২০দা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ইন্দষ্ট্রি য়াম্না শোত্থখি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২০দা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ইন্দষ্ট্রিনা মমাঙগী চহীগা য়েংনরুবদা লুপা ক্রোর ৩,২১৫ শোত্থখি হায়না স্পোর্টস এন্দ এন্টরটেনমেন্ট দিভিজন লূপ অমা ওইরিবা ঈ এস পিগী মার্কেটিং এন্দ এভর্টাইজিং এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না স্পোন্সরসিপ্তা শেল থাদরম্বা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী পোৎলমশিং এন্দোর্সমেন্ট তৌনবা মমিং লৈরবা সেলেব্রেটিশিংদা পীরম্বা শেনফমশিং অমদি মীদিয়াদা থাদরম্বা শেন্থংশিং অদুগী চাংদম্ন রুবদা কুমজা ২০১৯দা লৈখিবা শেনফম অদুদগী কুমজা ২০২০দা লপুা ক্রোর ৩,২১৫ অসি হন্থরকপনি হায়রি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হায়রিবা শেনফমশিং অসি হন্থরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। অদুবু রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা কুমজা ২০২১দা শোত্থখিবা শেনফমশিং অদু ফূকৎপা ঙম্বগী লম্বেল অমদি লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## হোকি অম্পয়র বিরেন্দ্র কোভিদ-১৯না লৈখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী):

হোকি ইন্দিয়াগী অম্পয়র মেনেজরগী থৌদাং লৌরিবা বিরেন্দ্র সিংহ কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মশাগী চহী ৪৭শুরকপদা ঙরাং লৈখিদ্রে। মহাক লৈখিদবদা হোকি ইন্দিয়াগী ফ্রেটর্নিটি খুদিংমক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। মহাক ওল ইন্দিয়া টুর্নামেন্ট অমদি নেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা ওফিসল ওইনা শরুক য়ারম্বনি।


### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 253/ASSO-VI/K dt. 16/04/2021**

1. Moirangthem Thagoi Devi D/o. Late Kripa Singh of Kakching Wairi Sabal Liekai
2. -do- Subadani Devi D/o. Late -do- of -do-
3. -do- Sorojini Devi D/o. Late -do- of -do-
4. -do- Sumati Devi D/o. -do- of -do-
5. -do- Dinachandra Singh S/o. -do- of -do-
6. -do- Inao Singh S/o. -do- of -do-
7. -do- Kesho Singh S/o. -do- of -do-
8. -do- Thaniljao Singh S/o. -do- of -do- -Petitioner

-Vs-

(LATE) Moirangthem Kripa Singh S/o. Late Iboton Singh of Kakching Wairi Sabal Leikai - Opp. Party

NOTICE

Dated 26-4-2021

Under Section 46(3) of M.L.R & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা তহশিল খুল নং ৬২ ককচীং ৱাইরি পাট্টা নং ৭২৭,৭৫৮ অনৌবা দাগ নং ৩৩৬১,৩৩৬০ গী এরিয়া .৪০+.০২=.৪২ একর ইখ্লোল অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মোইরাংথেম কৃপা সিংহ পীতা বৃ: ইবোতোন সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইখ্লোল/লৌরেল/অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবিগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-P/9182/28

### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 255/ASSO-VI/K dt. 16/04/2021**

1. Moirangthem Wairi Thagoi Devi D/o. Late Kripa Singh of Kakching Wairi Sabal Liekai
2. -do- Subadani Devi D/o. Late -do- of -do-
3. -do- Sorojini Devi D/o. Late -do- of -do-
4. -do- Sumati Devi D/o. -do- of -do-
5. -do- Dinachandra Singh S/o. -do- of -do-
6. -do- Inao Singh S/o. -do- of -do-
7. -do- Kesho Singh S/o. -do- of -do-
8. -do- Thaniljao Singh S/o. -do- of -do- -Petitioner

-Vs-

(LATE) Moirangthem Kripa Singh S/o. Late Iboton Singh of Kakching Wairi Sabal Leikai - Opp. Party

NOTICE


Dated 26-4-2021

Under Section 46(3) of M.L.R & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা তহশিল খুল নং ৬২ ককচীং ৱাইরি পাট্টা নং ৪৭ (অরিবা) ৭২৬ অনৌবা দাগ নং ২৩১৭ গী এরিয়া ১.৩৫ হেক্তর লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মোইরাংথেম কৃপা সিংহ পীতা বৃতু ইবোতোন সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইখ্লোল/লৌরেল/অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবিগদবনি মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-P/9182/28


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 93**

**GM Carlsen, Magnus (2853) - GM Karjakin, Sergey (2772)**
**WCh Rapid TB 2016 New York USA (4), 2016.11.30**

1.e4c5 2.Nf3d6 3.d4cxd4 4.Nxd4Nf6 5.f3e5 6.Nb3Be7 7.c4a5 8.Be3a4 9.Nc1O-O 10.Nc3Qa5 11.Qd2Na6 12.Be2Nc5 13.O-OBd7 14.Rb1Rfc8 15.b4axb3 16.axb3Qd8 17.Nd3Ne6 18.Nb4Bc6 19.Rfd1h5 20.Bf1h4 21.Qf2Nd7 22.g3Ra3 23.Bh3Rca8 24.Nc2R3a6 25.Nb4Ra5 26.Nc2b6 27.Rd2Qc7 28.Rbd1Bf8 29.gxh4Nf4 30.Bxf4exf4 31.Bxd7Qxd7 32.Nb4Ra3 33.Nxc6Qxc6 34.Nb5Rxb3 35.Nd4Qxc4 36.Nxb3Qxb3 37.Qe2Be7 38.Kg2Qe6 39.h5Ra3 40.Rd3Ra2 41.R3d2Ra3 42.Rd3Ra7 43.Rd5Rc7 44.Qd2Qf6 45.Rf5Qh4 46.Rc1Ra7 47. Qxf4Ra2+ 48.Kh1Qf2 49.Rc8+Kh7
...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 92 Ans. :**
**29...Bf6 30.Qg7+Bxg7 31.hxg7+Kg8 32.Rh8# 1-0**


HL-P/9651/19-28/4

Resonance®
Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE
A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan
Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota
Physical Classes from Subject Expert of Kota
Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED
- 1 Year NEET/ JEE (Main+Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:
Visit: Nachom Edu Foundation
(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)
3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
Call: 9402979552 / 8794961535

YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
A UNIT OF MICRO FINANCE
H/O : CHINGMEIRONG, IMPHAL
NEAR : EASTERN MOTOR

লোন লৌবীয়ু :
অহানবগী ওইনা ৫০,০০০ দগী ১,৫০,০০০ ফাওবা।
অপীকপা শেন্দোইদা ফংবীরগনি।
থাগী অমদি থাখাইগী অপীকপা শেন্দোইদা 1.5% তা লোন লৌবীয়ু।
কনাগুম্বা INVESTOR শিংনা INVEST তৌবীনীংলবদি OFFICE তা লাকপীদুনা অকুপ্পা মরোল তানবীয়ু।

Sd/- Manager
Y.G. FINANCE, Chingmeirong, Imphal East
# 7005862472 / 7629922092

HL-B/6907/8/4-6/5 (alt)